# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট, চুরাচান্দপুর অমসুং ককচিং জিলাদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

২) কেন্দ্রগী মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেস মন্ত্রি জিতন রাম মানঝিনা ৱার্ল্ড এম.এস.এম.ই ডেগা মরী লৈননা অনৌবা স্কিম অনি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকা টি-ত্বেন্তি মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা থেংনরগনি। মেটচ অসি বরবাদোসতা হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দগী শান্নবা হৌগনি।

------

পুলিস(এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাওরেম লৈকাই পেনা খোংদগী পিষ্টোল অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১২, দিটোনেতর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা ফাগৎপা ঙমখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী চীংফৈ ভিলেজ অমসুং হৈচাংলোক্তগী ইমপ্রোভাইজ পম্প অহুম অমসুং ককচিং জিলাগী সিংতোম ভিলেজ এরিয়াদগী দিটোনেতর অমসুং ফ্যুজ য়াওবা ঐচ.ই. থার্তিসিক্স গ্রেনেদ অনি ফাগৎখি।

নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে-টুদা পোৎ চৈ পুবা

গাড়ি পুন্না ৩১১ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি কনভোই থমদুনা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম য়াওদনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

এআর (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী লালুফাইদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা সিঙ্গল বেরেল রাইফলস অমা, ইমপ্রোভাইজ মোর্তার অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মণিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

জিলা অসিমক্কী জি মোংজাং খুলদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা নাইন এম.এম করবাইন মেছিনগন অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল মঙা, ইমপোভাইজ মোর্তার অনি অমসুং নোং মরুশিং ফাগৎখি। পোৎলমশিং অদু পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমসুং শান্তি হঞ্জিনহন্নবা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থবক চথরি। হাওমীগী লুচিংবশিং, থৌবালগী সি.এস.ও, লিলোংগী নুপী লুপ অমসুং মৈরা পায়বীশিং, কমখ্যা পেমতোন কলেজগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিং, চন্দ্র খোংগী ত্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসনগী মীওইশিং অমসুং ইরেংবমগী খুঞ্জাশিংগা উন্নখ্রে।

জাংলেংফাই, ফাইকো, ফাইমোল, চীংঙাই, ওয়াং, ফলাং, ফাইজোলনচিংবা খুলশিংগী লুচিংবশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগসু উন্নখি।

বোর্দ (এল)ঃ  বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট (ঐচ.এস.এল.সি) একজামিনেসন ২০২৪ কমপার্টমেন্টেল একজামিনেসনগী ফোর্ম জ্‌লাই অনিদগী হৌরগা জ্‌লাই ১১

ফাওবদা থাজিনবা য়ারগনি।

বোসেমগী একজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হ্ন দক পাঙথোকখিবা মেট্রিক পরিক্ষাদা সবজেক্ট ৬ মক থারগা য়াল্লবদা সবজেক্ট অনি ফেল ওইবা মহৈরোইশিং কমপার্টমেন্টেল পরিক্ষা অসি থাবা য়াগনি। পরিক্ষা অসি থানবগীদমক এপ্লিকেসন ফোর্মশিং ওনলাইনদা জ্লাই অনিদগী হৌরগা জ্লাই ১১ ফাওবদা থাজিনগদবনি । মহৈরোইশিংনা স্কুলগী মরী লৈনবশিংগা তান্নদুনা এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিল্লক্কদবনি নত্রগা বোসেমগী ওফিসিয়েল ৱেব সাইট- ঐচ.টি.টি.পি.এস কোলোন দবল স্লাস পোর্তেলস দোট বোসেম দোট ইন-দা থাজিনবা য়াগনি। হায়রিবা ৱেব সাইট অসিদগী এদমিট কার্দ জ্লাই ১২ দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি।

অমরোমদা, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী ওইনদি এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনবগী ফি লোইরোই হায়রি।

হোমগার্দ (এল)ঃ ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা মথৌ তৌরিবা হোম গার্দশিং দাউন সাইজিং তৌবীনবা মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না আপীল তৌরক্লি। এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম নিংথিনা ঙাকবগীদমক অমসুং সিভিল পুলিস ফোর্সশিং মথৌ তৌনবা পোষ্টিং পীবদা হেন্না খ্দোংচানবগীদমক ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা য়াল্লবদা হোমগার্দ মঙা মথৌ তৌহনবীয়ু হায়রি।

স্কিম ঃ কেন্দ্রগী মাইক্রো, স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেস মন্ত্রি জিতন রাম মানঝিনা ৱার্ল্ড এম.এস.এম.ই ডেগা মরী লৈননা অনৌবা স্কিম অনি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে। স্কিম অসিনা মাইক্রো এন্দ স্মোল ইন্তরপ্রাইজেস লাখ মঙাদা দিজিতেল কম্মর্সকীদমক তেংবাংলগনি।

মরক অসিদা, য়সাভিনি কেম্পেন্না নুপীশিংগী ওইবা ইনফোরমেল মাইক্রো ইন্তরপ্রাইজেসশিংদা তঙাইফদবা মতেংশিং পাংলগনি। মসিগীদমক মীয়াম হুপনা খঙমিন্ননবা কেম্পেন অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

উদ্যামি ভারত ইভেন্টতা শরুক য়ারদুনা শ্রী মানঝিনা হায়- খুঙ্গং অমসুং মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা স্কিমশিং অসি ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- চাউখৎপা ভারত অমা ওইরকবগীদমক্তা খ্বাইদগী শোখবশিংদগী হৌরগা স্কিমশিং অসিগী তেংবাং ফংহনবা তঙাইফদে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা লখদৌনা পাঙথোকপা থৌরমদা এম.এস.এম.ই যুনিতশিংদা লুপা কোতি লিশিং ২০ গী লোন য়েন্থোকখি। থোরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- এম.এস.এম.ইনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লমশিংদা পোত্থোক পুথোকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। লৌউ শিংউগী মথংদা এম.এস.এম.ইনা মীওই কয়াদা থবক পীদুনা হিংনবগী লম্বী পীরি। ৱান দিষ্ট্রিক্ট ৱান প্রদক্ট স্কিমগী মখাদা রাজ্য অসি মালেমদা শক তাকপা ঙমলে।

দাইলোগ ঃ জেনেভাগী গ্লোবেল রেজিলেন্স ফন্দনা শিন্দুনা গুৱাহাতিগী হোটেল রতা মৌলি পেলেসতা নেচর ক্রাইম হায়বা হিরমদা রেজিলেন্স দাইলোগশিং পাঙথোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নেচর ক্রাইমগী মথক্তা ৱাইল্ড লাইফ ক্রাইম, সেন্দ মাইন্নিং, ইল্লিগেল টিম্বর লোগ্গিং, মেদিসনেল প্লান্ট এন্দ এনিমেল পার্টস স্মগলিং অমদি অতৈ হিরমশিংগী মতাংদা খন্নখি। দাইলোগ অসিদা মরুওইনা নোংজ্ নুংশাগী ওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নখি।

টি-২০ ঃ  ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকা টি-ত্বেন্তি মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা থেংনরগনি। মেটচ অসি বরবাদোসতা হয়েং নুমিদাং  পুং ৮ দগী শান্নবা হৌগনি।

নিংশিংবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ভারতনা মমাংগী চেম্পিয়ন ইংলেন্দবু মায়থিবা পীরমখি। সাউথ আফ্রিকানা অহানবা সেমি ফাইনেলদা আফগানিস্তানবু থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

পোনি (এল) ঃ   ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অহানবা রাজ্য

থাঙ্কী মেন্স ওপন পোলো তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা পোনি কেয়ার সেন্তর কুন্থী-বিনা তেন্থা পোলো ক্লব-এবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা তেকচম পোলো ক্লব বিনা ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লুপ হৈঙাংবু পাঞ্জল ৯-৪ দা থোইখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি কোকোমিগী মণিপুর কনবা খোঙচৎ চৎনবা শেম শাবা লোইখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল নহারোলগী থৌদাং, মণিপুরী নিউজ, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ অমসং মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইরমদম কনবা খোঙচৎ ঙসি পাঙথোক্লগনি মিনিষ্টর, এম.এল.এ য়াওনা মীপুম খুদিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না কোকোমি ৱিমেন ৱিংনা আপীল তৌরকপগী পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট সরদা দেবীনা অমিত সাহগা উন্নদুনা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিগী মতংদা কুপা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

প্রসিদেন্ট সরদানা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উন্নখ্রে, মীয়ামগী অপান্থা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে হায়না সরদানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মণিপুর নিউজগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পীক্লিবা মচাশিংগা মমাংদা তোতোমসনা ফানবা হোৎনখিবগী মতাংদা রিপোর্ট কৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী অপুনবা মীফম, প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা জোইন্ট সেসনদা এদ্রেস পীখ্রে, চহি অমা হেন্না লান থোরক্লিবা মণিপুর পল্লমদ্রে হায়বা হেদলাইন অসিগা লোয়ননা লান নংলবা মণিপুরগী মতাংদা ওপোজিসন্না লাউশিল্লকখ্রে, নরেন্দ্র মোদি ৭৩ রক উৎখি, রাহুল গান্ধিনা ৬ লক খক্তমক উৎখি, ময়াবাতিনা হোত্রোং হোবা প্রসিদেন্ট এদ্রেসনি হায়খ্রে হায়বা সব-

হেদলাইনশিং অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা পাউ ওইরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসনশিং চথদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউশিংনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। থিবা হুম্বগী থবক চথরবসু মীতৈদো লান্দাবদি লেপতে হায়বা পাউ অসিগী মনুং চন্না জিরিবামদা য়ুম, দুকান মৈ থারম্লে অমসুং থিবা হুম্বগী থবকশিং পাক শন্না চথখি হায়না সব-হেদলাইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চুরাচান্দপুর দি.সি. অমসুং নুপী লুচিংবীশিংনা গভর্নরগা উন্নদুনা জিলা অসিগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা মীতৈশিংবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবগী খোঙজং মখা তানা চথবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গভর্নরনা চুরাচান্দপুরগী দি.সিদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকবা খঙহনখিবগী পাউ মোর্নিং বেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ওল মণিপুর খৃষ্টান ওর্গনাইজেসন্না ভারতকী প্রসিদেন্টতা অইবা চেরোল পীদুনা রাজ্য অসিগী মাইনোরিতি খৃষ্টানশিং ঙাক শেন্নবা অমসুং মাং তাকখ্রবা চর্চশিং অমুক হন্না শানবা আপীল তৌখিবগী পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.জি.সিনা লৌবা নিট পরিক্ষা পেপর লিক ওইখিবা অদুগী মতাংদা কুপা থিজিনদুনা মরাল লৈবশিং দন্দি পীগনি হায়না প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম গানফিউ মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কোকোমিনা মণিপুর কনবা, সেফ মণিপুর হায়বা রেল্লি চৎনবা শেম শাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------